[illegible]



[illegible]








[illegible]



[illegible]





[illegible]

# ঙসিগী রাষি ফল (২৪–০৮–২০২৬)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৰার্দি)

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** ৰাখল চঙবা থবক্না হেল্লগনি। শেল পীথোক পীশিন্দা হৈ শিংগনি। লম চৎপা মী তিন্নবদি কান্নগনি। পোৎ অনৌবা লৈবা য়াগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংগনি।

**বৃষঃ** হোৎনজমন কান্নবা, চাওখৎপা, ফগৎপা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, মরুপ মফম ফগৎপা, লুচিংবশিংনা চানবিবা, মিংচৎ হেনগৎপা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত চান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

**মিথুনঃ** শাওদবা তপথবতনা মায় পাকচরগনি। চথোক চৎশিন্দা গাড়ী থৌবদা চেকশিনগনি। শোক্তনবা হোৎনজগনি। শোক্তনবা হোৎনজগনি। ইমুংদা চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মুক্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – বুদ্ধি ফকচিনগনি।

**কর্কটঃ** য়েংশিনবা কল্লকপা য়াম্বা নুমিৎনি। তিন্নবশিংদগী তোখাই তাগনবা ওইরগনি। শেল ফংবা চৎপা মান্নগনি। থবক মচাদি পাঙথোক্লগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৰারৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ৰাখল চঙলোই।

**সিংহঃ** চেকশিন্না হৈশিংনা হোৎনজবতনা অফবা ওইরগনি। নিংহন্নবা লৈরগনি। লমলানবশিংনা চানবিরগনি। শাগৈনা য়েংথিগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোইশিংগী – হোৎননিংলোই।

**কন্যাঃ** খুদোংচাবা মায়োক্নবা, শেল ফংবা, শীংথাবিবদা য়াওবা, শক খঙবিবা হেনগৎপা, ওইরগনি। লুচিংবশিংনা চানবিরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – নুংশিনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

**তুলাঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, মরুপ মফম খরা ফগৎপা, মমল য়াম্বা পোৎ লৈবা য়াবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোইশিংগী – হোৎননিংগনি।

**বৃশ্বিকঃ** হেন্না লুশিন্না খনবা নুমিৎনি। থবক খরদি পাঙথোক্লগনি। অচৌবশিংনদি চানবিরগনি। চথোক চৎশিন্দা মী তিন্নবদি কান্নগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৰাখল মান্নগনি।
মহৈরোইশিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

**ধনুঃ** চেকশিন্না হোৎনজগনি। অরুবা থৌরম মায় পাক্লগনি। চথোক চৎশিন্দা মী তিন্নবদা কান্নগনি। শক খঙবিবা হেনগৎলগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত চান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী– বুদ্ধি চাওখৎলগনি।

**মকরঃ** চরাংনবা, নুংনাংবা, পূক্লিং পোথাফম খঙদবা ওইরগনি। থবক্তি মায় পাক্লগনি। লমলানবশিংনা চানবিরগনি। শান্তি লৈরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংলোই।

**কুম্ভঃ** তিন্নবশিংনা য়েংশিনবা, তোখাই তাবা ওইগনগনি। শেল চৎপনা হেল্লগনি। লম চৎপা হৈ শিংগনি। ইমুংদা চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মুক্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ৰাখল ফকচিনগনি।

**মীনঃ** চাওখৎপা, ফগৎপা, থৌরম পাঙথোকপা, পোৎ লৈবা য়াবা, শীংথাবিবদা য়াওবা, শাগৈনা চানবিবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী– অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোয়শিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 9 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1058**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | | | | 4 | 2 | | 1 | |
| | 7 | | 6 | | | 5 | | 3 |
| | 4 | 8 | | | 1 | | 2 | |
| 4 | | 5 | | | 3 | | 6 | |
| 3 | 1 | | 4 | | | | | 5 |
| | 2 | 6 | 1 | | | 4 | | |
| | | | 2 | 1 | | | | 6 |
| | | 4 | | 5 | | 1 | | |
| 1 | | | | | 6 | | | 4 |

সনা–সুদোকু–১০৫৮গী সোল্যুসন লমাই ৬দা

# পার্লিয়ামেন্টকী মীফম ওফিসিয়েল ওইনা প্রোরোগ তৌদনা থল্লিবা অসি অমিত শাহনা দিলিমিটেসন বিলগী মথৌতাবা মেজোরিটি ঙাইহরিব্রা: কোংগ্রেস

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সি):

জুলাই ২০দগী হৌদুনা চত্থরকখিবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফম ঙসি ফাওবা ওফিসিয়েল ওইনা প্রোরোগ তৌরে হায়না লাউথোক্তনা থল্লিবা অসি হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা দিলিমিটেসনগা মরী লৈনবা কনষ্টিট্যুসনেল এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌনবগীদমক বি জে পিনা পার্লিয়ামেন্টকী লৈরিবা অপূনবা সিটকী চাদা ৩ থোকপগী ২ ফংনবা হোৎনবগী মতম ঙাইহরিব্রা হায়না কোংগ্রেস পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরি ইন-চার্জ কম্যুনিকেসন জয়রাম রমেশনা হংলক্লি।


জুলাই ২০দগী হৌদুনা চত্থরকখিবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফম অদু হৌখিবা ওগষ্ট ১৩দগী মতম কক্তনা এদজোর্ন তৌদুনা থম্লক্লি।

ঙসি ফাওবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফম অদু ওফিসিয়েল ওইনা প্রোরোগ থল্লে হায়বা ৱাফম অমত্তা লাওথোকপা লৈত্রি।

কোংগ্রেস পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরি ইন-চার্জ কম্যুনিকেসন জয়রাম রমেশনা মহাক্কী ওফিসিয়েল এক্স একাউন্দদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা লোক সভাগী নোংজু মীফম মতম কক্তনা য়ৈথোকখিবা নুমিৎ ১০ নি হেঞ্জল্লক্লবসু ঙসি ফাওবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মথৌতাবগী মতুং ইন্না পার্লিয়ামেন্টকী মীফম ওফিসিয়েল ওইনা প্রোরোগ থল্লে হায়বা ৱাফম অমত্তা লাউথোক্তনা থল্লি।

পার্লিয়ামেন্টকী মথৌতাবা কাংলোন অদু ঙসি ফাওবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পাঙথোক্তনা





লৈরিবা করিগীদমক্তনো হায়না হংলদুনা জয়রাম রমেশনা হায়, পার্লিয়ামেন্ট ওফিসিয়েল ওইনা প্রোরোগ থল্লে হায়না লাউথোক্তনা লৈরিবা অসি য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা পার্লিয়ামেন্টকী লৈরিবা অপূনবা সিট অসিগী চাদা ৩ থোকপগী ২ মেজোরিটি ফংনবা হোৎনদুনা অখন্নবা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম পাঙথোক্তুনা দিলিমিটেসনগা মরী লৈনবা কনষ্টিট্যুসনেল এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌনবা মতম লৌরিব্রা।

এম এন কোল অমদি এস এল সাকধের প্রক্টিস অমদি পার্লিয়ামেন্টকী লৈরিবা প্রোসিদিওরগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টরগী এদভাইস লৌরবা মতুং কনষ্টিট্যুসনগী লৈরিবা আর্টিকল ৮৫(২)গী মখাদা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্টনা পার্লিয়ামেন্টরি সেসন প্রোরোগ তৌদুনা ওফিসিয়েল ওইনা টর্মিনেসন তৌদুনা থমগদবনি।

পার্লিয়ামেন্টতা লৈরিবা অপূনবা সিট অসিগী চাদা ৩ থোকপগী ২ লৈঙাক্না মেজোরিটি ফংনবা হোৎনরিবা অসি কৈদৌঙৈদা ফংবা ঙম্লোই হায়না জয়রাম রমেশনা মখা তারক্লি।

পনবা য়াবদি দিলিমিটেসনগা মরী লৈনবা কনষ্টিট্যুসনেল এন্দেমেন্ট বিলগী মতাংদা রুলিং অমদি ওপোজিসনগী মরক্তা য়াম্না চাওনা মুক্নদুনা লাক্লি। হৌখিবা চয়োলদা লোক সভাগী লৈরিবা অপূনবা সিট ৫৪৩ অসি লাক্লিবা চহী ২৫ অসিদা নুপী ওইবীশিংগীদমক চাদা ৩৩ রিজার্বেসন থমদুনা লাক্লিবা ২০২৯দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভাগী মীখল অসিদগী চৎনবা হৌনবা কোংগ্রস পার্টিগী ৱার্কিং কম্মিটনা মীফম পাঙথোক্তুনা ৱারেপ লৌখিবসু লৈখ্রে।

কোংগ্রেস পার্টিগী ৱার্কিং কম্মিটিনা লৈবাক অসিদা দিলিমিটেসনগী এজেন্দাদা য়ূমফম ওইদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ৱুমেন রিজার্বেসনগী ইসু অসি শিজিন্নবগী থৌওং চত্থরি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ৱুমেন রিজার্বেসন থন্নবগী শান্নরিবা লিলা অসিগী মায়োক্তা ওপোজিসন পার্টিনা অমত্তা ওইনা লেপমিন্ননবসু কোংগ্রেস পার্টিগী মায়কৈদগী আপিল তৌখিবা লৈখ্রে।

পনবা য়াবদি এপ্রিল থাদা পাঙথোকখিবা পার্লিয়ামেন্টকী বজেট মীফমদা লোক সভাগী লৈরিবা অপূনবা এম পি ৫২৮গী মনুংদা এম পি ২৯৮না দিলিমিটেসন বিল শৌগৎখি। অদুগা এম পি ২৩০না মায়োক্তা লেপখি। অদুবু দিলিমিটেসন বিল অসি পাস তৌনবগীদমক তঙাইফদনা এম পি ৩৫২না শৌগৎপগী মথৌ তাবনা মরম ওইরগা হায়রিবা বিল অদু পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফমদা পাস তৌবা ঙমদনা মখা তানা খন্ননবগীদমক পার্লিয়ামেন্টরি জোইন্ট কম্মিটিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না শিন্নখিবগী থৌদোক থোকখিবসু লৈখ্রে।

# আই এস আর ও: ২০৩৫ ফাওবদা লৈবাক অসিগী মশাগী ওইবা স্পেস ষ্টেসন লৈরগনি



অহমেদাবাদ, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সি):

লাক্লিবা ২০৩৫ ফাওবদা লৈবাক অসিগী মশাগী ওইবা স্পেস ষ্টেসন অমা লিংখৎনবগীদমক থবক তৌরি। অদুগা প্রোপোজ তৌরিবা ভারতিয়া অন্তরিক্ষা ষ্টেসনগী অহানবা মোদ্যুলগী অয়াবদি মাঙজৌননা ফংখ্রে হায়না আই এস আর ওগী চিয়ারমেন ভি নরায়ন্ননা ফোঙদোকখ্রে।

অহমেদাবাদতা পাঙথোকপা নেসনেল স্পেস ডে থৌরমগা মরী লৈননা আই এস আর ওগী চিয়ারমেন নারয়ন্ননা হায়, ঙসি লৈবাক অসিদা পাঙথোল্লিবা নেসনেল স্পেস ডে অসি অহুম্লক শুবা থৌরম অমনি। চহী অসিগী ওইনা নেসনেল স্পেস ডে থৌরমগী থল্লিবা থিম 'ইন্নোভেসন, কোলাবোরেসন এন্দ এসপায়রিং ফোর গ্লাবেল লিদরসিপ ইন দ স্পেস সেক্টর' অসি য়াম্না মরুওইবা থিম অমনি।

হৌখিবা চহী ৬৪ রোমগী মমাঙদগী হৌদুনা ইন্দিয়ানা স্পেস প্রোগ্রামগা মরী লৈনবা প্রোগামশিং পায়খৎতুনা লাক্লিবা অসি ঙসিদি তপ্পা তপ্পা পাকথোক চাওথোক্তুনা মপাঙ্গল লেপ্তুনা কনখৎলকপা মীয়াম্না উরি।

লৈবাক মীয়ামদা আর্ট ওবজার্বেসন, রিমোট সেন্সিং, টেলিকম্যুনিকেসন, টেলিভিজন ব্রোদকাষ্টিং, টেলি-ইজুকেসন, দিজাষ্টর ৱার্নিং অমদি মিটিগেসননচিংবা তোঙান তোঙানবা এরিয়া ৫০ হেনবদা থবক তৌদুনা লাক্লি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা স্পেস মিসনগা মী লৈনবা প্রোগ্রাম কয়া মখা তানা পায়খৎনবা পরেং লেংদুনা লৈরি।

আই এস আর ওগী মায়কৈদগী গগনয়ান প্রোগ্রাম মায়পাক্না চংশিল্লি। লৈবাক অসিগী মশাগী ওইবা ভারতিয়া অন্তরিক্ষা ষ্টেসন অমা থন্নবসু আই এস আর ওগী মায়কৈদগী লেপ্তনা থবক তৌদুনা লাক্লি। লাক্লিবা ২০৩৫ ফাওবদা লৈবাক অসিগী অহানবা স্পেস ষ্টেসন অমা শানবগীদমক ইশ্রোনা পায়খৎলিবা প্রোজেক্ট অসিগী অহানবা মোদ্যুলসু মাঙজৌননা এপ্রুব তৌখিবা লৈখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

অহমেদাবাদতা পাঙথোকখিবা ৩শুবা নেসনেল স্পেস ডেগী থৌরম অদুদা মরুওইবা মিথুংলেন ওইনা শরুক য়ারদুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর গজেন্দ্র সিংহ সিখাৱাতনা চন্দ্রয়ান-৩ মায় পাক্না থাগী সাউথ পোলর রিজনদা ইনষ্টোল তৌদুনা থম্বা ঙমখিবা অদুগীদমক্তা আই এস আর ওগী ওফিসিয়েলশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

## নেসনেল সেক্যুরিটি কনফরেন্স পাঙথোক্লগনি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সি):

লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী হৌদুনা নুমিৎ নীনি চুপ্পা ন্যু দিল্লিদা নেসনেল সেক্যুরিটি ষ্ট্রেটেজিক কনফরেন্স পাঙথোক্লগনি।

নুমিৎ নীনি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল সেক্যুরিটি ষ্ট্রেটেজিক কনফরেন্স অসিদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহসু শরুক য়াগদৌরি।

লৈবাক অসিগী নেসনেল সেক্যুরিটিগা মরী লৈন্ননা পাঙথোক্কদৌরিবা কনফরেন্স অসিদা তোঙান তোঙানবা সেক্যুরিটি ফোর্স অমদি পুলিসকী মকোকথোংবা ওফিসার ৮৫০ হেনবনা শরুক য়াগদৌরি।

পনবা য়াবদি ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল সেক্যুরিটি ষ্ট্রেটেজি কনফরেন্স অসি ফিজিকেল অমদি ওনলাইন য়াওনা হায়ব্রিদ ফোর্মেটতা পাঙথোক্কনি হায়রি।

## জেন জিদা অখন্নবা মীৎয়েং থম্বা নিতিন নবিননা লুচিংবা বি জে পিগী টিম অমা নৌনা শেমখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সি):

লৈবাক অসিদা লৈরিবা ইনখৎলক্লিবা ভোটরশিংগা অফবা মরী থমদুনা থবক তৌনবগীদমক বি জে পিগী অনৌবা টিম অমা শেমখ্রে।

জেন জিদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা বি জে পিগী শেমখিবা অনৌবা টিম অদু পার্টি অসিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট নিতিন নবীন, নেসনেল জেনরেল সেক্রেটরি স্মৃতি ইরানি, বিনোদ তাওরে অমদি গুজরাতকী মিনিষ্টর হরস সঙ্ঘাবি, ছতিসগড়গী মিনিষ্টর ও পি চাওধরি অমদি পার্টি অসিগী তোঙান তোঙানবা মকোকথোংবা লুচিংবা কয়াসু য়াওরি।

জেন জিদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা নৌনা শেমখিবা নিতিন নবিননা লুচিংবা বি জে পিগী অনৌবা টিমগী মায়কৈদগী জেন জিগা মরীলৈনবা তোঙান তোঙানবা থৌরমশিং পায়খৎপগী মথক্তা বি জে পিগী লৈরিবা লিদরশিং কয়াগা ইনখৎলক্লিবা ভোটরশিংনা হকথেংননা উন্নবগী থৌরম কয়াসু লৈবাক অসিদা বি জে পিনা পাঙথোক্কদৌরি।

পনবা য়াবদি কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা লৈবাক অসিগী ইনখৎলক্লিবা ভোটরশিংগা উন্নদুনা তোঙান তোঙানবা ইসুশিংগী মতাংদা ৱারী শান্নদুনা অফবা মরী থন্নবা হোৎনরিঙৈ চৈরেক অসিদা জেন জিদা য়ূমফম ওইবা বি জে পিগী অনৌবা টিম অসি নৌনা শেমখিবনি।

## ঝরখন্দ: পুলিস ১দি থবক থিরিবশিংগী মরক্তা থোকখিবা মুক্নবগী থৌদোক্কা মরী লৈননা এফ আই আর পানখ্রে



রঞ্চি, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সি):

ঝরখন্দগী গরিধি অমদি হাজারিবাগতা পুলিস অমদি থবক থিরিবা নহারোলশিংগগী মরক্তা থোকখিবা মুক্নবগী থৌদোক্কা মরী লৈননা মীওই ২৮গী মমিং অমদি মমিং মথা য়াওদবা মীওই ৯০০ হেনবগী মথক্তা এফ আই আর ৩ পান্দুনা ইনভেষ্টিগেসন চত্থবা হৌখ্রে।

গিরিধি অমদি হজারিবার্গতা থোকখিবা মুক্নবগী থৌদোক অদুগী মতাংদা মীওই ১৪ অমদি মমিং মথা য়াওদবা মীওই ২০০গী মথক্তা রঞ্চি কোদৱালি পুলিস ষ্টেসনদা এফ আই আর ৩ রেজিষ্টার তৌখ্রবা মতুং মখা তানা মীওই ২৮ অমদি মীওই ৯০০ হেনবগী মথক্তা এফ আই আর পানখিবনি।

হৌখিবা ইরাই অমদি থাংজ নুমিৎতা গিরিধিদা পুলিস অমদি থবক থিরিবা নহারোলশিংগী মরক্তা থোকখিবা মুক্নবগী থৌদোক অদুগী মতাংদা এফ আই আর ২ রেজিষ্টার তৌখ্রে। অদুগা হাজারিবার্গতা লৈঙাক্কী থবক্তা অয়েৎ অপন অমদি পুলিস পার্সোন্নেলশিংদা খূৎ থাবগী মিংদা এফ আই আর অমা নৌনা রেজিষ্টার তৌখিবনি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা ঝরখন্দ রিক্যুটমেন্ট এগজামদা ইরিগুলেরিটি কয়া চত্থরে হায়বা লৈঙাক্কী মথক্তা চার্জ তৌদুনা মশিং য়াম্লবা থবক থিরীবা নহারোল কয়ানা চীফ মিনিষ্টর হেমান্ট সোরেনগী ইফিজি ঙৈ থাদুনা খোঙজং চংশিনখিবা লৈখ্রবনি।


## চহী ৩ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে

জম্মু, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সি):

হৌখিবা চহী ১৮ হেল্লবা নার্কোটিক কেসতা মরাল লৈবা মীওই অমা কোর্টনা চহী ৩ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীবগী মথক্তা ফাইন ওইনা লুপা ১০,০০০গী শেনফম ফাইন ওইনা থিনবা খঙহনখ্রে হায়না জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী নার্কোটিক কন্ট্রোল ব্যুরো (এন সি বি)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

এন সি বিনা ফোঙদোরকপা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না চহী ৩ জেলদা লৈবগী কোর্টনা চৈরাক পীখ্রবা মীওই অদুগী মমিং কুনু ভারতি এলাইজ অভিনন্দন কৌই। হৌখিবা চহী ২০০৮কী দিসেম্বর ৩দা এন সি বিনা চরস গ্রাম ৯৬০ রিকোভর তৌখিবগী কেস অদুগা মরীলৈননা কুনু ভারতি কোর্টনা মরাল লৈরে হায়না চৈরাক পীখিবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

## Crossword # 1124



Across
1. One tense
5. Bum chaser?
10. Roe source
14. Potpourri
15. Gene or Grace
16. Tress material
17. Party!
20. Botch
21. Quick-flash connector
22. Wins a board game
23. Kind of bowling or tennis
25. Developers' interests
26. All about tennis?
31. Cancels the mission
32. Random choice
33. It does a bang-up job?
36. Heed the dentist's order
37. Bon ___ (witty remark)
38. Mideast ruler
40. Marsh
41. Ability to distinguish pitch
42. Family room feature
43. The guys?
46. Ph.D. hurdles
48. Some votes
49. Amalgamation
50. Initials of a pro basketball team
52. Persuasive poke
56. Wholly
59. Chills and fever
60. Like a ballerina
61. Nobleman
62. Founder of Little America
63. Work the runway
64. Finishes the pumps

Down
1. Bard's creation
2. Jai ___
3. Convenes
4. Youngsters
5. Slalom
6. Lessee
7. Members of a fraternal order
8. Exile site of 1814
9. Bread choice
10. Blade holder
11. "Gabriel Conroy" author Bret
12. Buenos ___
13. Abolitionists
18. Retirement dinners, often
19. MMD less CDI
24. Unseld of basketball
25. Slob's room
26. Large fishhook
27. Ready trio member
28. Io or Phobos
29. New Zealand native
30. Picnic problem
31. Yukon, for one (Abbr.)
34. ___-do-well
35. Kind of weight
37. Deranged
38. Greek goddess of wisdom
39. Restrained
41. Mummy's three
42. Chicken Little's concern
43. Under the influence
44. Automobile pioneer
45. Coop sound
46. Branch of knowledge (suffix)
47. Become chronic
49. Reveal indiscreetly
50. Corporate ID
51. Word with rock or rain
53. Low, heavy cart
54. Roberts' co-star
55. Building additions
57. Highlands hat
58. ___ canto

পাউমুন লমায় ৭দা ...

## নাওপুরিবি দিফেন্স মিনিষ্ট্রি ওফিসার থৌরি য়ান্দুনা শিরম্লে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সি):

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সতা সেনিয়ার ওফিসিয়েল ওইনা থবক তৌবী মশাগী চহী ৩০তা ঙাইহরিবী নাওপুদুনা লৈরিবী নুপী অমা ন্যু দিল্লিগী দ্বারকাদা লৈবা মশাগী য়ূমদা থৌরি য়ান্দুনা শিদুনা লৈরম্বা থেংনখ্রে।

লৈখিদ্রবী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ওফিসিয়েল অদু নাজিয়া খনাম কৌই। হৌজিক হৌজিক দিফেন্স মিনিষ্ট্রিদা এসিষ্টেন্ট সেক্সন ওফিসার ওইনা থবক তৌদুনা লৈরিবী দিফেন্স



ওফিসার অমনি। লৈখিদ্রবী নাজিয়া খনাম হৌখিবা এপ্রিল ১১দা অজাম আলি খান কৌবা মীওই অমগা লুহোংলবা মতুং থা ৩গী অঙাং নাওপুদুনা লৈরক্লিবী নুপী অমনি হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না নাজিয়া খনামনা হিংদুনা লৈরিঙৈ মহাকপু মহাক্কী মনেমপোক, মকুবোকনচিংবা মপুরোইবগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা মীওৎ মীনৈ চত্থরে হায়না মহাক্কী অপোকপা-অপোকপীদা ৱাকৎলমখি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

**সনা-সুদোকু-১০৫৮গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 5 | 3 | 7 | 4 | 2 | 9 | 1 | 8 |
| 2 | 7 | 1 | 6 | 9 | 8 | 5 | 4 | 3 |
| 9 | 4 | 8 | 5 | 3 | 1 | 6 | 2 | 7 |
| 4 | 8 | 5 | 9 | 2 | 3 | 7 | 6 | 1 |
| 3 | 1 | 9 | 4 | 6 | 7 | 2 | 8 | 5 |
| 7 | 2 | 6 | 1 | 8 | 5 | 4 | 3 | 9 |
| 5 | 3 | 7 | 2 | 1 | 4 | 8 | 9 | 6 |
| 8 | 6 | 4 | 3 | 5 | 9 | 1 | 7 | 2 |
| 1 | 9 | 2 | 8 | 7 | 6 | 3 | 5 | 4 |

## নোংগা মরীলৈনবা থৌদোক্তা মীওই ২২৪ লৈখিদ্রে

শিল্লা, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সি): হিমাচল প্রদেশতা থোকপা নোংগা মরী লৈনবা থৌদোক্তা মীওই ২২৪ লৈখিদ্রে।

হৌখিবা নুমিৎ ৫৫নিরোম অসিদা হিমাচল প্রদেশতা নোংনা মরম ওইরগা থোক্লিবা লেন্দস্লাইদ, ক্লাউদবর্ষ্ট, রোদ এক্সিদেন্টনচিংবা তোঙান তোঙানবা থৌদোকশিংনা মরম ওইরগা হিমাচল প্রদেশতা পূন্না মীওই ২২৪ লৈখিদ্রে। নোংনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিগী লম্বী ১৪৯ মখা তানা হান্নগী মতৌগুম চথোক চৎশিন তৌবা য়াদনা ব্লোক তৌদুনা লৈরি।

নোংগা মরী লৈনবা থৌদোকশিং অসিনা হিমাচল প্রদেশতা ক্রোর ১,১২১গী শেনফম হেন্না মাঙহন তাকহনখ্রে।

হৌখিবা জুন ৩০দগী ওগষ্ট ৩০ ফাওবগী মনুংদা হিমাচল প্রদেশতা নোংগা মরীলৈনবা থৌদোকশিংদা লৈখিদ্রবা অপূনবা মীওই ২২৪ অদুগী মনুংদা মীওই ৯১না লেন্দস্লাইদ, ক্লাউদবর্ষ্টনচিংবা ক্লাউদবরষ্টনচিংবা থৌদোকশিংনা মরম ওইরগা লৈখিদবনি। অদুগা মীওই ১৩৩না নোংগা মরীলৈননা থোকপা লম্বীগী খুদোঙথিবা থৌদোক্তা লৈখিদবনি।

হৌখিবা নুমিৎ ৫৫নিরোম অসিদা হিমাচল প্রদেশতা নোংমদা চাংচৎতা মীওই ৪ লৈখিদবগী থৌদোক থোকপা থেংনরি। অসিদা নৎতনা নোংনা মরম ওইরগা হিমাচল প্রদেশকী লৈরিবা রোদ কনেক্টিভিটিদা য়াম্না চাওনা অৱাবা চৈথেং পীদুনা লৈরি।

হৌখিবা থাংজ নুমিৎ ফাওবদা নোংনা মরম ওইরগা পূন্না লম্বী ৯৮ পনদুনা লৈরম্বা অদু ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক অঙনবা ফাওবদা নৌনা লম্বী ১৪৯দা অপনবা থোকপা থেংনখ্রে। নোংগা মরীলৈননা হিমাচল প্রদেশতা মেন্দি দিষ্ট্রিক্টনা খ্বাইদগী চাওনা অমাং-অতা থোকপা থেংনরি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু পনদুনা লৈরিবা লম্বী থোং হাংদোক্নবা লেপ্তনা হোৎনরি হায়না পাউ অসিনা হায়রি।

## ঙমখৈ পরিংগী মতাংদা ইন্দিয়া অমদি চাইনাগী মরক্তা ৱারী শান্নগদৌরি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সি):

ইন্দিয়া অমদি চাইনাগী মরক্তা লৈরিবা ঙমখৈ পরিংগী মতাংদা লৈবাক অসিগী নেসনেল সেক্যুরিটি এদভাইজর অজিদ দোবল চাইনাদা চৎতুনা ৱারী শান্নগদৌরি।

চাইনাগী বৈজিংদা ইন্দিয়া অমদি চাইনাগী মরক্তা লৈরিবা ঙমখৈ পরিংগী মতাংদা ইন্দিয়া-চাইনা স্পিসিয়েল রিপ্রজেন্টেটিব (এস আর)গী মীফমদা নেসনেল সেক্যুরিটি এদভাইজর অজিদ দোবল শরুক য়ানবগীদমক হয়েং নিংথৌকাবা নুমিৎতা লৈবাক অসি থাদোক্লগনি।

খোঙচৎ অসিগী মনুংদা অজিদ দোবলনা চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্টর ৱাংয়ীগা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরক্তা লৈরিবা ঙমখৈ পরিংগী মতাংদা কুপ্পা ৱারী শান্নগদৌরি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা চহী ২০০৩দগী হৌদুনা ইন্দিয়া অমদি চাইনাগী মরক্তা লৈরিবা অপূনবা কিলোমিটর ৩,৪৮৮ ঙমখৈ পরিংগী মতাংদা ইন্দিয়া অমদি চাইনাগী মরক্তা ৱারী শান্নদুনা লাক্লি।

২০০৩দগী হৌদুনা ইন্দিয়া অমদি চাইনাগী মরক্তা চয়েৎনদুনা লৈরিবা ঙমখৈ পরিং অসিগী মতাংদা ৱারোইশিন অমা পুরক্নবগীদমক লৈবাক অনিনা অখন্নবা মেকানিজম অমা পুথোকপা ঙমদনা ঙসি ফাওবা তাঙ্কক কয়া ৱারী শান্নদুনা লাকপগী থৌওং চত্থদুনা লাক্লিবনি।

অমরোমদা এক্সটনেল এফিয়ারস মিনিষ্টর এস জয়শঙ্করনা ইন্দিয়া অমদি চাইনাগী মরক্তা লৈরিবা বাইলেটরেল রিলেসনসিপ অসিবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনবদা ঙমখৈ পরিংদা ইং-তপ্পা থম্বা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রে।

নিংশিংবা য়াবদি ইকুই কুইদ্রিঙৈ চাইনাগা লোন্নবা অরুনাচল প্রদেশকী তোঙান তোঙানবা মফম কয়া চাইনানা ইলিগেল এক্টিভিটি কয়া চত্থরে হায়না অরুনাচল খূঞ্জাশিংনা রিপোর্ট তৌনরকখিবসু লৈখ্রে।





## কুম্বী, পল্লেল অমদি ফৌবাকচাওগী কৈথেলশিংদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (এস এন এস)ঃ

নেস্নেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজেন (এন আর সি) অপদেট তৌদনা সেন্সস (মীকোক থীবা) য়ারোই হায়না পাক শন্না চত্থরিবা খোঙজংদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কুম্বী এ সিগী মনুংচনবা কুম্বী কৈথেল অমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা পল্লেল কৈথেলদা ৱাকৎ খোঙজং চত্থখ্রে। লোয়ননা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা তোর্বুং গ্রাম পঞ্চায়টতগী লাঞ্জেন্নখিবা আই দি পিশিং হৌজিক ফাওবা মশা মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিল্লক্ত্রিঙৈ মতম অসিদা সেন্সস তৌবা য়ারোই। করিগুম্বা সেন্সস তৌনবা হোৎনরক্লবদি মদুদা শরুক য়ারিবা মীওইশিংগী অরোইবা নুমিৎ ওইগনি হায়না ফৌবাকচাও ইখাই মৈরা পায়বীশিংগী মীহুৎ কৈথেল্লাকপম কেগেস্নানা ফোঙদোকখ্রে।

কুম্বী কেন্দ্র প্রোগ্রেসিভ ফ্রন্টনা শীন্দুনা কুম্বী কৈথেলদা চত্থখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা জে এফ দিগী ফাইনান্স সেক্রেটরী সুনিল করাম, কুম্বী কেন্দ্র কম্মান্দ এন্দ কন্ট্রোল কম্মিটি ৱুমেন ৱিংগী ইমাশিং, কুম্বী কেন্দ্র প্রোগ্রেসিভ ফার্মরস এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এস দিনেস, সোসিয়েল ৱার্কর সঞ্জোয় অহন্থেম অমদি জয়া খাঙেম্বম নচিংবা শরুক য়াখি।

কুম্বী কেন্দ্র প্রোগ্রেসিভ ফ্রন্টকী এদভাইজর কেঐচ ইবোতোননা হায়, জে এফ দিনা চঙশিল্লিবা নো এন আর সি নো সেন্সসকী খোঙজং অসি মপূং ফানা শৌগৎলি। অদুনা মখা তাবা খোঙজংদসু ফ্রন্ট অমদি মসিগা চৎমিন্নরিবা লূপশিংনা পূন্না শৌগৎকনি।

অতোপ্পা অমনা মোইরাং এ সিগী মনুংচনবা ফৌবাকচাও ইখাইদা মৈরা পায়বীশিংনা শীন্দুনা ঙরাং নুমিদাং মৈরাগী রেল্লি চৎখ্রে। রেল্লি অদুদা শরুক য়াখিবা মৈরা পায়বী লুচিংবী কৈথেল্লাকপম কেগেসনানা হায়, মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিগী চৈথেং ফংলিবা তোর্বুং গ্রাম পঞ্চায়টতগী লাঞ্জেন্নখিবা মীওইশিং হৌজিক ফাওবা মশা মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিল্লক্ত্রিঙৈ মতমদা সেন্সস তৌবা তারবদি মদুগীদমক লাক্লিবা মীওইশিং অদুগী অরোইবা নুমিৎ ওইগনি। ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর লৈঙাক্না রেদ জোন্নি হায়না লাওথোক্তুনা হৌজিক মীচম কয়া চথোক চৎশিন তৌবদা সেন্ট্রেল ফোর্সশিংনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা লৈরিবনি।

মশা মশাগী য়ুমদা চঙদুনা ওইরিবা ফিভম য়েংগে হায়বা ফাওবা অথিংবা পীদুনা চঙহন্দ্রি। য়ুম কয়া মৈনা চাক্তুনা নৌনা শাগে হায়রবসু চঙবা য়াদবনা করিসু তৌবা ঙমদ্রি। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা লৈঙাক্না এন আর সি অপদেট তৌদনা সেন্সস তৌগনি হায়রিবা অসি য়াবা ঙম্লোই। নারোন্দা চঙশিল্লকপা মীতোপ হান্না খন্দোকপিয়ু। তুংগী মীরোলগীদমক এন আর সি অপদেট তৌরগা সেন্সস তৌবিয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা পল্লেল কৈথেলদসু য়েলহৌমী মৈতৈ অমদি নাগা ইমাশিংনা লম্বী ময়াইদা ফমজিন্দুনা ৱাকৎ খোঙজং চত্থখ্রে। পল্লেল এরিয়াদা খুন দামিন্নরিবা নাগা ফুরুপকী তোঙান তোঙানবা লূপ ১১ অমদি পল্লেল মৈরা পায়বী অমসুং মৈতৈ সি এস ওশিংনা পূন্না শরুক য়াদুনা চত্থখিবা খোঙজং অদুদা পল্লেল কৈথেলগী দুকানশিং থোঙ হাংনখিদে। ইমাশিংনা নো এন আর সি নো সেন্সস হায়বা বেন্নর মখাদা কুমজা ১৯৫১ না বেজ ইয়র ওইরগা এন আর সি অপদেট তৌগদবনি হায়বা খোল্লাও কয়াসু লাওখি।

খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা পল্লেল অপুনবা মৈরা পায়বী লূপকী ফাইনান্স সেক্রেটরী রোমিতা লৈমপোকপম্না ফোঙদোরকখিবদি হৌজিক হৌজিক মণিপুরদা তঙদু লৈতাবা ঙমদ্রিবা মতম অসিদা এন আর সি অপদেট তৌদনা সেন্সস চত্থগনি হায়না হোৎনরক্লিবা অসি য়াম্না লাইবক থিবনি।

# সুনামি অমগা মান্নগনি, য়ুক্রেন মচেৎ তাগনি: জেলেনস্কিনা লান মনুংদা ইলেক্সন পাঙথোকপা য়াখিদ্রে



ক্যিব, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সি):
প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেনস্কিনা মহাক্কী হান্নগী দিফেন্স মিনিষ্টরনা ভোট অমা পাঙথোক্লবা আপিল তৌরকখিবা মতুং রসিয়ানা লান্দারকপা অমা লৈবাক অসিনা লান্থেংনরিঙৈদা ইলেক্সন অমা পাঙথোকপা হায়বসি য়ুক্রেনগীদমক শাথিনা খুদোঙথিনিংঙাই ওইগনি হায়না নোংমাইজিং নুমিৎতা মীয়ামদা ফোঙদোকপা ৱারোল অমদা হায়খ্রে।

অসিগুম্বা লান অমগী মনুংদা ইলেক্সন পাঙথোকপা হায়বসি অচৌবা খুদোংথিনিংঙাই অমা ওইগনি হায়না ঐহাক্না থাজৈ। হৌজিকমক ইলেক্সন পাঙথোকপা তারবদি য়ুক্রেন মচেৎ তাহনগদবা সুনামি অমা ওইগনি হায়না জেলেনস্কিনা হায়খি।

রসিয়াগী ফোর্সশিং লান্থেংনদুনা তান্থোকখিনবা হোৎনবদা লৈবাক অসিনা পুক্লিং চংলিঙৈদা মীয়ান্না পাকশন্না হৌজিকসু শৌগৎলিবা খোঙথাং, মার্সিয়েল লোগী মখাদা য়ুক্রেননা ইলেক্সনশিং সস্পেন্দ তৌখি।

করিগুম্বা ঐখোয়না লৈবাক অসি মাঙ তাকহনবা পাল্লবদি লানগী মতম অসিদা ঐখোয়না মীখলগী মায়কৈদা চংশিনবা য়াই হায়না মশাগী চহী ৪৮ শুরবা লুচিংবা অদুনা হায়খি।

থা কয়াগী পোলিটিকেল ৱাথোকশিংগী মরক্তা অহানবা ওইনা থাংজ নুমিৎতা জেলেনস্কিনা এ এফ পি য়াওনা জর্নেলিষ্টশিংগী গ্রুপ অমগা পাউগী মীফম অমা পাঙথোকখি।

খ্বাইদগী নৌবা অচৌবা ৱাথোক অদু জেলেনস্কিনা মহাক্কী দিফেন্স মিনিষ্টর মিখায়লো ফেদোরোব মফম লৌথোকখিবা মতুং ষ্ট্রীটশিংদা মীওই লিশিং কয়া থোক্লকখিবা অদুনি।

তান্থোকখ্রবা ফেদোরোবনা চয়োল অসিদা ভোট অমা ওর্গনাইজ তৌনবা শিন্নবা লন্বী অমা ফংনবা অঙকপা আপিল অমা তৌরকখি। অদুবু রোদমোপ অমা য়াওদে। মাগী শৌগৎপশিংগী খরনা ফাওবা মখোয় মশামক মঙোন্দগী লাপথোকখি।

মতৌ করন্না লান্মীশিং, য়ুক্রেনিয়ান রিফ্যুজি মিল্লিয়ন কয়া অমসুং খুদুম চনখ্রবা টেরিটোরিশিংগী মীয়াম অদুনা করম তৌনা ভোট থাদগনি, লোয়ননা রসিয়াদগী দিসইনফোর্মেসনগী অকিবশিং য়াওনা এক্সপার্টশিংনা খুদোঙথিবা কয়ামরুম পনখি।

ক্যিব ইনষ্টিট্যুট ওফ সোসিওলোজিনা পাঙথোকপা পোল অমগী মতুং ইন্না য়ুক্রেনিয়ানশিংগী শুপ্নগী চাদা ১৫না লান লোইদ্রিঙৈগী মমাঙদা মীখল পাঙথোক্কদবনি হায়বসিদা থাজৈ।

# ট্রম্পকী ইকোনোমিক ৱার য়াওবশিং য়েক্লবনি লৌগনি হায়না ইরাননা লৈবাকশিংদা ৱার্নিং তৌখ্রে








টেহরান, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সি):
ইরাননা থাংজ নুমিৎতা ইস্লামিক রিপল্লিক অসিগী মায়োক্তা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ইকোনোমিক ৱারদা শরুক য়াবশিং য়েক্লবশিংনি লৌগনি হায়রদুনা লৈবাকশিংদা ৱার্নিং তৌখ্রে।

য়ু এস প্রসিদেন্টকী মীয়ান্না য়ানদবা লান থা ৬ চংশিল্লকখিবগা ইরানগী ইকোনোমিবু নায়তোম তাহন্নবা দোনাল্ড ট্রম্পকী অনৌবা কেম্পেনদা য়াওনবা ৱাসিংটননা মখোয়গী এলাইশিংদা কন্না তকশিল্লি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা চথরিবা ইকোনোমিক ৱার অসিদা য়াওদনবা লৈবাক পূন্নমক্তা ঐখোয়না লাউথোক্লি হায়না ইরানগী সুপ্রিম নেসনেল সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী মকোক মোহসেন রেজাইনা ষ্টেট টেলিভিজনদা হায়খি।

ঐখোয়গী মায়োক্তা ইকোনোমিক্কী অথিংবশিং নমদুনা থমজিনবদা শরুক য়ারকপা লৈবাক খুদিংমক য়েক্লবা ওইনা লৌগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

করিগুম্বা লৈবাকশিংনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতগী মখোয় মশামক লাপথোকউ য়াদ্রবদি মাখোয়গী ইন্টরেষ্টশিং অদু ইরাননা মাঙ তাকহনগনি হায়না মহাক্না হায়খি।

লান অসিদা ইস্লামিক রিপল্লিকনা তৌবা ঙম্বা কয়া লৈরি। ঐখোয়না হৌজিক ফাওবদা আমেরিকান ইকোনোমিক ইন্টরেষ্ট অমত্তদা এটেক তৌদ্রি হায়না রেজাইনা হায়খি।

ঐখোয়না লৌজিক ফাওবদা টার্গেট তৌরিবা অসি মিলিটরি বেজ খত্তদনি। করিগুম্বা মখোয়না ঐখোয়গী মথক্তা ইকোনোমিক সেঙ্কসন্স নমদুনা থম্বা পাল্লবদি ইরান অমসুং ইরানগী অকোয়বা মফম কয়াদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ওইল অমসুং ইকোনোমিক কম্পেনিশিং লৈরি। মখোয় অদু ইরাননা এটেক তৌগনি হায়না ইরাননা ফোঙদোকখি।

ট্রম্পনা থবক লৌখৎলকপা তারবদি, ঐখোয়গী মায়োক্লবা অদু য়ুহা হাবা অমগা মান্নগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# পাকিষ্টানদা হিন্দুট্রেদর কাপ্তুনা হাৎখ্রে

নোস্কি বজার, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সি):
পাকিষ্টানগী বালোচিষ্টানদা শকখঙদবা খুৎলাই পায়বশিংনা ইরাই নুমিৎতা রাজেশ কুমার কৌবা হিন্দু ট্রেদর অমা কাপ্তুনা হাৎখ্রে।

দোনগী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না নোস্কি বজারগী কাদিরবাদ সোপ এরিয়াদা লৈবা মহাক্কী দুকান মনুংদা খুৎলাই পায়বা মীওই খরা চংশিল্লকখি হায়না পুলিসনা হায়খি।

মখোয়বু কুমারনা থিংনবা হোৎনরুবদা মীওইশিং অদুনা নোংমৈ কাপশিনখি অমসুং চেনখি। কমুার মফম অদুদা শিখি।

# য়ু এসতা ইন্দিয়ান দুকান্দার অমা কাপ্তুনা হাৎখ্রে





জেক্সন সিটি, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সি):
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা মশাগী চহী ৫৬ শুরবা ইন্দিয়ান অমা মহাক্কী দুকান মনুংদা রোব্বরি অমদা কাপ্তুনা হাৎলল্লে। মীওইশিং অদু চেনখ্রে।

ইন্দিয়ান দুকান্দার অদুগী মমিং শুরেশ পরসোতমদাস পতেল কৌই, গুজরাতকী মেহসনাদগীনি। মহাক ওগষ্ট ২০দা টেনেসিগী জেক্সনদা লৈবা মহাক্কী দুকানদা আর্ম রোব্বরি অমদা হাৎখিবনি।

রোব্বরি অদুগী মতাংদা নুমিদাং পুং ৯ লোম তাবদা পুলিসনা টেলিফোন কোল অমা ফংখি। উহৌবশিং অদুগী মতুং ইন্না শকখঙদবা মীওইশিং অদুনা দুকান্দা চংলকখি, নোংমৈ অমা উৎখি অমসুং ইমপ্লোয়ীশিং অদুদগী শেল দিমান্দ তৌখি। ইমপ্লোয়ী অদুদগী শেল লৌরবা তুংদা রোব্বরর অদুনা নোংমৈ মরু কয়ামরুক কাপখি অমসুং মদুদা পতেলদা পানখি। মঙোন্দা নোংমৈনা কাপ্লকখিবা মতম অদুদা মহাক মহাক্কী চহী ১৯তমক শুরবী মচানুপী অদুগা হেক থংননা লেপ্তুনা লৈবনি।

মেহসনাদা পতেলগী খূনদগী মীওই অমনা মহাক য়ুনাইটেদ ষ্টটসতা চহী ৩০ রোম লৈরকখ্রবনি হায়খি।

শুরেশ পতেলনা মতম শাংনা চিকাগোদা লৈরকখ্রে অমসুং থৌদোক অসি থোক্ত্রিঙৈ শুপ্নগী চহী ১গী মমাঙ জেক্সন সিটিদা মহাক্কী অনৌবা ষ্টোর অসি হৌখিবনি।

# পঞ্জাবতগী নহা অমা ন্যু য়োর্কতা কাপ্তুনা হাৎখ্রে

ন্যু য়োর্ক, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সি):
গুরদীপ সিংহ কৌবা মশাগী চহী ২৮ শুবা পঞ্জাবতগী নহা অমা ন্যু য়োর্ক সিটিদা পিজা দিওভরি তৌরিঙৈদা শকখঙদবা খুৎলাই পায়বা অমনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে।

পঞ্জাবকী কপুরথলাদা লৈবা মাগী খূঙ্গং বেগোৱালগী মীয়ামদা নিংবা কায়বা ফোঙদোকখ্রে।

রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না মহাক হিংনবগী পান্থৈ অমা ফংনবগী আশাদা লোন অমা লৌরগা চহী ১৩গী মমাঙদা য়ু এসতা চৎখিবনি। এটেক অদু রোব্বরি তৌনবা হোৎনবগী ফল ওইগনি চিংনৈ।

ন্যু য়োর্ক সিটিদা মফমদুগী পুলিসনা কেস অদু থিংজিল্লবা মতুং খত্তদা থৌদোক অদুগী অকুপ্পা মরোল খঙগনি।

# রিটয়ার হিন্দু ওজা, মাগী নুপী, মচা অনি শিনা ফংলে



ধাকা, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সি):
বঙ্গলাদেশকী রঙ্গপুর সিটিদা রিটয়ার হিন্দু ওজা অমা, মহাক্কী নুপী, মচানুপী অমসুং চহী ১২ শুরবা মচানুপা মনুংলোমদগী থোঙ লোনশিনবা মখোয়গী য়ূম মনুংদা চিংননিঙাই ওইবা মওংদা শিনা ফংলে।

সিটি অদুগী দসপরা এরিয়াদা লৈবা য়ূম অমদগী হকচাংশিং অদু থাংজ নুমিৎতা নুমিদাং পুং ১১:৩০ রোম তাবদা রিকোভর তৌরে।

রঙ্গপুর মেট্রোপোলিটান কোটৱালি পুলিস ষ্টেসনগী ইন-চার্জ নাজমুর কাদেরনা থোঙ লোনশিল্লবা য়ূম অদুদা চংলবা তুংদা পুলিসনা হকচাংশিং অদু রিকোভর তৌখি হায়খি।

মীওইশিং অদুদি রিটয়ার রঙ্গপুর জিলা স্কুল টিচর গনপতি চক্রবোর্তি (৬৫), মাগী নুপী প্রিতিলতা চক্রবোর্তি (৫০) মখোয়গী মচানুপী অগামি পরথি (২৩) অমসুং মচানুপা প্রিয়ম চক্রবোর্তি (১২)নি।

গনপতিনা হৌখিবা চহীদা রিটয়ার তৌখ্রে। মচানুপী অগামি ইংলিসতা মাষ্টরস দিগ্রী লোয়খ্রে। মচানুপা প্রিয়মনা ৫শুবা ক্লাসতা তম্লি।

ইমুংগী মীওইশিংনা মখোয়না ইমুং অদুগা কন্টেক ফংলকখিদ্রবা মতুং চিংনবা পোকখি। মখোয়না শিজিন্নবা মোবাইল ফোন ৪ লোয়নমক থাংজগী নুমিদাংদগী স্বিটচ ওফ তৌখ্রে। থাংজগী নুমিদাংদা ঐখোয়না লাক্তুনা য়েংবদা য়ূমগী মেন গেট অদু থোঙ লোনশিল্লম্মি অমসুং মনুংদা লাইট পূন্নমকসু মুথৎলম্মি। পুলিসনা কোন্না লাকখি অমসুং ছোথুগাইরগা য়ূম অদুদা চংখি।

হৌজিক ঐখোয়না মীওই ৪গী হকচাংশিং ফংলে। থৌদোক অসিগী মতাংদা করিগুম্বা অমত্তা হৌজিক খঙবা ঙমদ্রি হায়না ও সি নাজমুল কাদেরনা হায়খি।

মমা অমসুং মচানুপীগী হকচাংশিং অদু থাক কাফমদগী ফংখি, অদুগা গনপতিগী হকচাং অদুনা য়ূমথক্তা ফংখি। মচানুপাগী হকচাং অদু ফমুং অমগী মখাদা লৈরমখি হায়না রঙ্গপুর মেট্রোপোলিটান সি আই দি ইন-চার্জ সুবির চৌধুরিনা দেলি ষ্টারদা হায়খি।

# ঐখোয়গী ইকোনোমিক টার্গেটশিংদা এটেক তৌরক্লবনিনা য়ুক্রেনগী ইকোনোমিক টার্গেটশিংদা এটেক তৌরগনি: পুটিন

মোস্কো, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সি):
রসিয়াগী ইকোনোমিক টার্গেটশিংদা এটেকশিং তৌদুনা ক্যিবনা পেন্দোরা'জ বোক্স হাংদোক্লে, রসিয়ানা হৌজিক য়ুক্রেনগী খ্বাইদগী মরুওইবা ইকোনোমিক সেক্টরশিংদা এটেক তৌরগনি হায়না থাংজ নুমিৎতা ফোঙবা কমেন্টশিংদা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুতিননা হায়খ্রে।



য়ুক্রেননা হন্দক্কী কালেন থাসিদা রসিয়াগী লানগী থবক্তা ঈনোৎ পী হায়না মখোয়না লৌরিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর থুগাইনবা ওইল রিফাইনরিশিং অমসুং ওনলাইন রিটেলরশিংগী ৱ্যারহাউসশিং য়াওনা রসিয়ান ইকোনোমিক ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা টার্গেট তৌবা দ্রোন এটেকশিংগী কেম্পেন অমা কনখৎলকখি।

মদুদা রসিয়ানা ব্লেক সি ফাওদুনা পুবা য়ুক্রেনিয়ান গ্রেন এক্সপোর্টস য়াওনা মখোয়গী ইকোনোমিক ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংগী মথক্তা এটেকশিং তৌদুনা পাউখুম পীখ্রে।

ক্যিব রেজিমনা ঐখোয়গী ইকোনোমি থুগাইনবা হোৎনরকখ্রে। মদুনা করি তৌখ্রে? মদুনা মসিগী পেন্দোরা'জ অসিমক হাংদোকখ্রে। অদুনা ফরে, হৌজিক্তি নখোয়গী খ্বাইদগী মরুওইবা ইকোনোমিক সেক্টরশিং টার্গেট তৌবা পাউখুম অমা ফংলগনি হায়না রসিয়ান ষ্টেট টেলিভিজন জর্নেলিষ্ট অমদা পীবা কমেন্টতা পুতিননা হায়খি।

মহাক্না হায়খি, য়ুক্রেনগী এগ্রীকলচরর এক্সপোর্টস শোকহনবা এটেকশিংনা গ্লোবেল ফুদ সোর্টেজশিং থোকহল্লোই। মরমদি মদুগী মহুৎ রসিয়ানা শিবা ঙম্মি। ক্যবনা রসিয়াগী গ্রেন এক্সপোর্ট ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা টার্গেট তৌরক্লবসু য়ুক্রেন এক্সপোর্টশিং অদু রসিয়ানা মহুৎ শিনবা ঙমগনি।

ঐখোয়না ঐখোয়গী পোৎচৈশিংগী সিপমেন্টকী মতাংদা শীংনবশিং মায়োক্লে অদুবু খুদোঙচাদবশিংঅদু ঐখোয়না কোকহনগনি। মদুগী ফল ওইনা গ্লোবেল মার্কেটতা অৱাৎপা লৈরোয় হায়না পুটিননা হায়খি।

ব্লেক সিদা গ্রেন এক্সপোর্টস ঙাকথোক্লবা তর্কিনা শিনবা দিল অমদা রসিয়া অমসুং য়ুক্রেননা য়ানখি। অদুবু রসিয়ানা ২০২৩দা দিল অদুদগী তোক্লকখি।

# ওরিষ্যা তোর্ব্বান মনাক্তা ক্রু মেম্বর ২৪ য়াওবা জহাজ লুপখ্রে





পারাদিপ পোর্ট, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সি):
ওরিষ্যা সমুদ্র তোর্ব্বান্দগী নোটিকেল মাইল ২৪০ রোম লাপ্পদা পানামা-ফ্লেগ কার্গো জহাজ অমা থাংজ নুমিৎতা লুপখ্রে।

এম ভি ওসিন -ৱিন্নর কৌবা জহাজ অদু আইরন ওর টোন ১৭০০ পুদুনা ওগষ্ট ২০গী ১০.৩০ পি এম অদুৱাইদা ওরিষ্যাগী পরাদীপ পোর্টতকী খোঙশাল্লকখিবনি।

জহাজ অদুদা চাইনাদগী ২০, ম্যান্মারদগী ৩ অমসুং বঙ্গলাদেশকী ১ য়াওনা ক্রু মেম্বর ২৪ য়াওই।

জহাজ অদু, ওফিসিয়েলশিংগী মতুং ইন্না ওরিষ্যাদগী হাপ্লকপা আইরন ওরগী কার্গো অমা পুদুনা শিঙ্গাপোরদা লাকখিবনি। জহাজ অদুগা কম্যুনিকেসন ফংখিদ্রে হায়না ওগষ্ট ২২দা শ্রী বিজয়া পুরমদা লৈবা মেরিটাইম রেস্ক্যু কোওর্দিনেসন সেন্টরদা পাউ ফংখি।

সর্চ এন্দ রেস্ক্যুগী তেংবাংগীদমক হায়জরকখিবা অমগা লোয়ননা এলার্ট অদু জহাজ অদু ওপরেট তৌবা কম্পেনি ভিক্টিরি ষ্টার গ্রুপ কো লিমিটেদতগী লাকখিবনি।

ইন্দিয়ান কোষ্ট গার্দ অমসুং ইন্দিয়ান নেভিনা জোইন্ট রেস্ক্যু ওপরেসন অমা চথখ্রে। সর্চ এন্দ রেস্ক্যুগী থবক অদুদা শরুক য়ানবা কোষ্ট গার্দকী জহাজশিং বরাদ অমসুং অনমোল থাখ্রে। ৩শুবা জহাজ বিজিতসু ওপরেসন অদু শৌগৎনবা শ্রী বিজয়াপুরমদগী দিপ্লোয় তৌখ্রে।

কোষ্ট গার্দনা লাইফ বোটশিংদগী মীওই ২ রেস্ক্যু তৌখ্রে হায়না এজেন্সি অদুনা হায়খি।

মফম অদুদা লৈবা অতৈ জহাজশিংদসু এলার্ট তৌখ্রে অমসুং রেস্ক্যুগী থবক্তা তেংবাংনবা খঙহনখ্রে হায়না সেনিয়ার আই পি এস ওফিসার অমনা পি টি আইদা হায়খি।

# জপানদা য়ুহা হাবদা ৩০ শোকখ্রে



টোকিও, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সি):
টোকিও এরিয়া য়াওনা নোংপোক থংবা জপানদা ময়াইওইরপ য়ুহার হাবা অমদা ঙসি মীওই ৩০ হেন্না শোকখ্রে। জপান মেটিওরোলোজিকেল এজেন্সিগী মতুং ইন্না য়ুহা হাবা অদু মেগ্নিচুদ ৫.৯গীনি অমসুং মদুগী ইপিসেন্টরনা খা থংবা ইবারাকি প্রিফেকচরদনি। য়ু এস জিওলোজিকেল সর্ভেনদি মদু মেগ্নিচুদ ৫.৮ অমনি হায়না রেকোর্দ তৌখি।

পার্ফেকচুরেল ওফিসিয়েলশিং অমসুং ফয়ার এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এজেন্সিগী মতুং ইন্না ইবারাকিদা অমা, চিবাদা ৪, কানগৱাদা ৮, সাইতানাদা ৯ অমসুং টোকিওদা ১৫-রিজন অদুগী প্রিফেকচর ৫দা য়ামদ্রবদা মীওই ৩৭ শোকখি। অদুবু শোকখিবা মীওই অয়াম্বা অদু মখোয় তুবদা নৎত্রগা ফর্নিচর অমসুং থোঙ অমদা থেংজিনবদগী খর-খরা শোকপশিংনি। শোকখিবশিং অদুগী মনুংদা মশাগী চহী ৮০ হেল্লবী হনুবী অমা য়াওরি। মহাক ফমুংদগী তাবদা শোকখিবনি।

য়ুহা হাবা অদুনা বিল্ডিংশিং নিকহনখি, মদুদা সেল্বশিংদা থম্বা পোৎ-চৈশিং তারকখি। টোকিওদা চেনবা এক্সপ্রেস ট্রেনশিং মতম থেংথহনখি। মফমদুগী মীয়ামদা থোক্লকপা য়াবা ময়াই ওইরপ্পা অতৈ য়ুহার হাবশিংদগী চয়োল অমরোম চেকশিন্না লৈনবা জপান মেটিওরোলোজিকেল ওফিসিয়েলশিংনা আপিল তৌরকখ্রে।

অতেক অকায় থোক্লম্বশিং চাংলেপ্নবা গভর্ণমেন্টনা টাস্ক ফোর্স অমা লিংখৎখ্রে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর সেনৈ তকায়চিনা এক্সতা হায়খ্রে।

### ক্রোসৱার্দ ১১২৪ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| P | A | S | T | ■ | S | T | E | E | R | ■ | S | H | A | D |
| O | L | I | O | ■ | K | E | L | L | Y | ■ | H | A | I | R |
| E | A | T | D | R | I | N | K | B | E | M | E | R | R | Y |
| M | I | S | D | O | ■ | A | S | A | ■ | M | A | T | E | S |
| ■ | ■ | ■ | L | A | W | N | ■ | ■ | S | I | T | E | S | ■ |
| G | A | M | E | S | E | T | M | A | T | C | H | ■ | ■ | ■ |
| A | B | O | R | T | S | ■ | A | N | Y | ■ | ■ | T | N | T |
| F | L | O | S | S | ■ | M | O | T | ■ | A | M | E | E | R |
| F | E | N | ■ | ■ | E | A | R | ■ | S | T | E | R | E | O |
| ■ | ■ | ■ | T | O | M | D | I | C | K | H | A | R | R | Y |
| ■ | O | R | A | L | S | ■ | ■ | A | Y | E | S | ■ | ■ | ■ |
| B | L | E | N | D | ■ | L | A | C | ■ | N | U | D | G | E |
| L | O | C | K | S | T | O | C | K | B | A | R | R | E | L |
| A | G | U | E | ■ | A | G | I | L | E | ■ | E | A | R | L |
| B | Y | R | D | ■ | M | O | D | E | L | ■ | D | Y | E | S |







Government of India
Ministry of Mines

**ADVERTISMENT**

Ministry of Mines invites applicnts for contractual engagement of Jr. Legal Assistants. For furthes details, visit www.mines.gov.in. Last date: 25.09.2026

Sd/-
Under Secretary to the Government of India
Ministry of Mines

CBC 26101/11/0004/2627







**ꯃꯥꯡꯈꯤꯕ/ SBI Bank Passbook Lost**

I have lost my SBI Bank Passbook bearing Account No.33873894294 of SBI Wangoi Branch on the way between Wangoi to Imphal on19/08/2026.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

SL/B(Raju)/24

Sd/-
Longjam Premchand Meitei
Wangoi Longjam Leikai

**UNIQUE SOCIAL DEVELOPMENT ORGANISATION**
MAYANG IMPHAL, CHABUNG COMPANY,IMPHAL WEST,
MANIPUR – 795132, REGD. NO: 21/IMP-M/1994

**NOTICE**

Mayang Imphal, 23rd August, 2026

Final voter/member list of special general body meeting for election of the Managing Committee members to be held on 3rd September, 2026 at 2 pm at the office of the Association at Mayang Imphal Chabung Company, Imphal West, Manipur is published as under:

| Sr.No. | Name |
|---|---|
| 1 | Lourembam Bimol Singh |
| 2 | Thongam Sangita Devi |
| 3 | Yumnam Bimola Devi |
| 4 | Lourembam Brojen Singh |
| 5 | Yurembam Suniti Devi |
| 6 | Homendra Asem |
| 7 | Thokchom Sumila Devi |
| 8 | Naorem Debal Singh |
| 9 | Yurembam Promananda Singh |
| 10 | Asem Ningthemjao Singh |
| 11 | Thongam Ingo Singh |
| 12 | Yumnam Ibemcha Devi |
| 13 | Yurembam Choron Singh |
| 14 | Ningthoujam Subadani Devi |
| 15 | Yumnam Tilotama devi |
| 16 | Ningthoukhongjam Jugeshwar Singh |
| 17 | Nepram Binoy Meetei |
| 18 | Shaikhom Brojen Singh |
| 19 | Yumnam Kaoba Singh (Expired) |
| 20 | Maisnam Sarat Singh |
| 21 | Laimayum Shaym Sharma |
| 22 | Longjam Sunil Singh |
| 23 | Loitongbam Heramot Singh |
| 24 | L. Yaimabi Chanu |
| 25 | Irom jatra Meitei |
| 26 | Chanambam Tomba Singh |
| 27 | Yumnam Ajit Singh |
| 28 | Chanambam Brojen Singh |
| 29 | Kongkham Tomba Singh |
| 30 | Leishangthem Renubala Devi |
| 31 | Chanambam Shantakumar Singh(Expired) |
| 32 | Leimapokpam Hemlet Singh |
| 33 | Ningthoujam Deven Singh |
| 34 | Thongam Ksheerdichand |
| 35 | Thongam(o) Bem |
| 36 | Yumnam Brojen Singh |
| 37 | Thongam Sanatomba |

SL/5383/24

Sd/- (Yumnam Ajit Singh)
Ex-Secretary

# মেন্থর ৫না শাবা এসিয়ন গেমসকী ইন্দিয়াগী ৱেটলিফটিং স্কৱাদ লাউথোকপদা মণিপুরদগী ৩ য়াওরে

## মিরাবাই চনুনা অহানবা এসিয়ন গেমসকী মেদল লৌনবা মীৎয়েং থল্লি





ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (এস এন এস)ঃ

মথং থাগী ১৯দগী ওক্টোবর ৪ ফাওবা জপানদা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন গেমসকী মেন্থর ৫না শাবা ইন্দিয়াগী ৱেঠলিফটিং স্কৱাদ লাউথোকপদা মণিপুরদগী ৩ য়াওখিবগা লোয়নননা স্কৱাদ অসিবু লুচিংলিবা মিরাবাই চনুনা মহাক্কী এসিয়ন গেমসকী অহানবা মেদল লৌনবা মীৎয়েং থল্লি।

মথং থাগী ১৯দগী ওক্টোবর ৪ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন গেমস অসিগী ৱেটলিফটিং কম্পিটিসন মথং থাগী ২২দগী ২৮ ফাওবা টোকায় সিটিজেন্স জিম্নাজিয়মদা পাঙথোক্কনি। গেমস অসিগী মেন্থর ৫না শাবা ইন্দিয়াগী ৱেটলিফটিং স্কৱাদতা য়াওখ্রবা মণিপুরদগী হৌখিবী লিফটরশিং অদুদি নুপীগী কেজি ৪৯দা মিরাবাই চনু, নুপীগী কেজি ৬১দা সেরাম নিরুপামা দেবী অমসুং অমত্তা ঙাইরবা নুপাগী লিফটর ওইনা কেজি ৬০দা শরুক য়াগদৌরিবা চনম্বম রিশিকান্তনি।

স্কৱাদতা য়াওরিবা অতোপ্পা মেন্থর অদুনা নুপীগী কেজি ৫৩দা গ্যানেশ্বর যাদব অমসুং নুপীগী কেজি ৬৯দা হর্জিন্দর কোরনি।

ইন্দিয়াগী ৱেটলিফটিং স্কৱাদ অসিবু লুচিংগদৌরিবী মিরাবাই চনু হান্না ওলেম্পিক অমসুং ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপনচিংবা মালেমগী মকোক থোংবা ইভেন্ট কয়াদা মেদল লৌবা ঙমখ্রবসু মহাক্কী কেরিয়রদা ঙসি ফাওবা এসিয়ন গেমসকী মেদল অমা ফাওবা লৌবা ঙমদনা লাকখিবা খোঙচৎ অদু লোয়শিনবা মীৎয়েং থল্লি।

২০২৩দা হাংঝৌনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা এসিয়ন গেমসতা মেদল ফংগদবা খজিক্তা ঙায়হৌদুনা মরিশুবা পোজিসন তাহৌখি। করিগুম্বা জপানদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন গেমস অসিদা মহাক্না মেদল লৌবা ঙল্লবদি মালেমগী মরুওইবা মল্টি স্পোর্টিং ইভেন্ট ওইরিবা ওলেম্পিক্স, এসিয়ন গেমস অমসুং কম্মনৱেল্থ গেমসতা মেদল লৌবা লিফটর ওইবা ঙমগদৌরি।

মমাঙ থাদা গ্লাসগোনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্থ গেমসতা মহাক্কী মরিশুবা অমসুং থংন থংননা অহুমরকশুবা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রবনি।

ইন্দিয়াগী স্কৱাদ অসিদা অমত্তা ঙাইরবা নুপা ৱেটলিফটর ওইনা শরুক য়ারিবা চনম্বম রিশিকান্তা গ্লাসগোদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন গেমস অদুদা সিলভর মেদল লৌখিবনি।

এসিয়ন গেমসকী পুৱারীদা ঙসি ফাওবা ইন্দিয়ানা সিলভর ৫ অমসুং ব্রোঞ্জ ৯ য়াওনা পূন্না মেদল ১৪ ৱেটলিফটিংদা লৌখিবগা লোয়নননা ইভেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী গোল্ড মেদল একাউন্ট হাংবা ঙমদনা লৈরি।

# ইষ্ট বেঙ্গলনা মোহন বগান মায়থিবা পীদুনা ১৩৫শুবা ইন্দিয়ন ওইল দুরান্দ কপকী মপু ওইবা ঙমখ্রে




কোলকটা, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সি)ঃ

এসিয়াগী খ্বাইদগী লীরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ১৩৫শুবা ইন্দিয়ন ওইল দুরান্দ কপ ২০২৬কী ঙসি কোলকটাদা লৈবা ভিবেকানন্দ যুব ভারতি ক্রিরঙ্গনদা শান্নখিবা ফাইনেলদা ইষ্ট বেঙ্গল এফ সিনা মোহন বগান সুপর জাইন্তবু ৪–১দা মায়থিবা পীদুনা মোহন বগানগা চপ মান্না রেকোর্দ ওইনা দুরান্দ কপগী ১৭রক শুবা ওইনা টাইতল লৌবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদুদা ইষ্ট বেঙ্গলগী চেম্পিয়ন ওইবগী গোল মরি অদু টিঐচ বিপিননা মেটচকী ১০শুবা মিনিটতা একাউন্ট হাংদোকখিবগা লোয়নননা এদমন্দ লালরিনদিকানা মেটচকী ১২শুবা, ২২শুবা অমসুং ৪৪শুবা মিনিটতা গোল অহুম চন্দুনা হেটট্রিক তৌবা ঙমখি। মায়থিহৌরবা মোহন বগানগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা মেটচকী ৩৩শুবা মিনিটতা মনভির সিংহনা চনখি।

ফাইনেল মেটচ অসিগী হৌরকপা শরুক্তা মোহন বগাননা টেম্পো হেন্না ৱাংনা কন্ত্রোল তৌদুনা শান্নবগা লোয়নননা অনিরুদ্ধ থপা অমসুং লিষ্টন কোলাকোনা মনভির সিংহ অমসুং জেমি মেকক্লেরেনগীদমক গোল চন্নবগী খুদোংচাবা কয়া পীখি। অদুবু মেটচকী ১০শুবা মিনিটতা ইষ্ট বেঙ্গলগী কেপ্তেন বাসিম রসিদনা বিপিনগীদমক ওইথংবা মায়কৈদা শীংথানিংঙাই ওইবা থ্রু বোল অমা পীরকপদগী বিপিননা অশোয়বা অমত্তা য়াওদনা গোল ওন্থোক্লুনা মেটচ অসিগী অমদি ইষ্ট বেঙ্গলগী গোল একাউন্ট হাং দোকপা ঙমখি।

ইষ্ট বেঙ্গলগী গোল একাউন্ট হাংদোকখ্রবা মতুং মিনিট ২ লৈরগা এদমন্দ লালরিনদিকানা বোক্সকী মপানদা ফংবা বোল অশোয়বা অমত্তা য়াওদনা অকনবা শাফু অমগা লোয়নননা কাওশিন্দুনা মোহন বগানগী গোলকিপর বিসাল কেথবু মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা গোল চনখি।

মোহন বগাননা শোত্থনা লৈরিবা গোল হন্দোক্নবা হোৎনরকপগা লোয়নননা লিষ্টন কোলাকো য়াওনা মখোয়গী শান্নরোইশিংনা গোল এটেম্প কয়া তৌরবসু গোলকিপর গীলনা শীংথানিংঙাই ওইবা সেভ কয়া তৌখি। মোহন বগাননা গোল হন্দোক্নবা ইষ্ট বেঙ্গলগী মথক্তা প্রেসর কয়া পীদুনা শান্নরবসু ইষ্ট বেঙ্গলনা ফংবা বোল খুদিংমক খুদোংথিনিংঙাই ওইখি। মেটচকী ২২শুবা মিনিটতা দেনিয়েল রামিরেসনা পীরকপা পাস অমদগী এদমন্দনা ফংলবা মতুং মহাক্না গোলকিপর অমসুং দিফেন্দরবু তুংওইরম্লগা অহুমশুবা গোল চন্দুনা ইদিসন অসিগী চেম্পিয়ন ওইনবা খোংফম চেৎশিলহনখি।

মোহন বগাননা গোল অহুম শোত্থনা লৈরবসু নীংহন্নবা তৌদনা শান্নবগা লোয়নননা গোল হন্দোক্নবগী খুদোংচাবা কয়া ফংলবসু লাইবক লৈতবদগী গোল ওন্থোকপা ঙমদনা লৈরুরবা মতুং ৩৩শুবা মিনিটতা মনভির সিংহনা গোল অমা চন্দুনা ১–৩দা লৈহনখি। মোহন বাগনগী গোল চনখিবা মনভিরনা মখা তানা ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়কৈদা প্রেসর কয়া পীদুনা শান্নরবসু মখোয়গী দিফেন্দর অমদি গোলকিপর গীলনা খোং ফম চেংনা লেপ্পুনা লৈখি। ৪৪শুবা মিনিটতা ইষ্ট বেঙ্গলগী কেপ্তেন বাসিম রসিদনা কাওরকপা ফ্রি কিক অমা জে গুপ্তানা গোলগী মমাঙদা টেপ তৌরকপা বোল অমদগী এদমন্দনা অনকপা মফমদগী গোল ওন্থোকপগা লোয়নননা মেটচ অসিদা মহাক্কী অহুমশুবা গোল চন্দুনা হেটট্রিক তৌবদা নত্তনা মহাক্কী টিমবু অহানবা হাফ লোয়বা ফাওবদা ৪–১দা মাঙজিল থাহনখি।

অনীশুবা হাফতা মোহন বগাননা শোত্থনা লৈরিবা গোল হন্দোকপা ঙমদবদগী ইষ্ট বেঙ্গলনা ৪–১দা মায় পাক্লুনা দুরান্দ কপকী পুৱারীদা মোহন বগানগা চপ মান্না ১৭রক শুবা ওইনা টাইতল লৌবা ঙমখি।

ইম্ফাল য়াওনা ইন্দিয়াগী সিটি ৫দা চত্থরকখিবা দুরান্দ কপ অসিদা ইষ্ট বেঙ্গলগী এদমন্দ লালরিনদিকানা গোল্ডন বোল, নোর্থইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিগী অলাদ্দিন অজারেনা গোল্ডন বুট অমসুং মোহন বগানগী বিসাল কেথনা গোল্ডন গ্লভ এৱার্দ ফংখি।

# হোক্কী ঝরখন্দ অমসুং হোক্কী হরিয়ানানা ফাইনেল শান্নরগনি

পুনে, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সি)ঃ

মহারাষ্ট্রাগী পুনেদা চত্থরিবা ১৬শুবা হোক্কী ইন্দিয়া জুনিয়র ৱুমেন নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬ দিভিজন–এগী ফাইনেলদা হোক্কী ঝরখন্দ অমসুং হোক্কী হরিয়ানানা শান্নরগনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অহানবা সেমি ফাইনেলদা হোক্কী ঝরখন্দনা হোক্কী মধ্য প্রদেশপু সুটআউটতা গোল ২–১দা অমসুং অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা হোক্কী হরিয়ানানা ছটিসগর হোক্কীবু গোল ৮–০দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

অহানবা সেমি ফাইনেল ওইনা হোক্কী ঝরখন্দ অমসুং হোক্কী মধ্য প্রদেশ অনীনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অপিবা মতমগী ১৫শুবা মিনিটতা মধ্য প্রদেশকী কাজলনা গোল অমা চন্দুনা মেটচ অসিগী অরোয়বা মতম ফাওবা মাঙজিল থাদুনা চৎলম্লবসু অরোয়বা মিনিট ৬০শুবদা ঝরখন্দগী হোরো ইস্থরনা ইক্বেলাইজিং গোল চন্দুনা দ্রো ওইবদগী সুটআউটনা মেটচ অসিগী মরাইবক লেপখি।

সুটআউটতা ঝরখন্দগী মায়কৈদগী সলোমিনা অমসুং কেপ্তেন রজনি করকেটানা গোল চল্লবসু মধ্য প্রদেশকী মায়কৈদগী কাজল খক্তমক গোল চনবা ঙম্বদগী সুটআউট অসিদা ঝরখন্দনা মধ্য প্রদেশবু গোল ২–১দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

অনীশুবা সেমি ফাইনেল ওইনা শান্নখিবা ৱান সাইদেদ ওইবা মেটচ অদুদা হরিয়ানানা ছটিসগরবু গোল ৮–০দা মায়থিবা পীখিবা অদুদা হরিয়ানাগী মায় পাকপগী গোল অদু জর্সি নম্বর ১০ সশি খাসানা মেটচকী ৪৩শুবা, ৫৭শুবা অমসুং ৪৯শুবা মিনিটতা গোল অহুম চন্দুনা হেটট্রিক তৌখিবগা লোয়নননা জর্সি নম্বর ১২ অঞ্জলিনা মেটচকী ৭শুবা অমসুং ৫০শুবা মিনিটতা গোল অনী, জর্সি নম্বর ১১ দিক্সানা মেটচকী ১৮শুবা, জর্সি নম্বর ১৫ ভাবিয়ানা মেটচকী ৯শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ১৭ সুগপ্রিট কোরনা মেটচকী ৩৫শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা হোক্কী হরিয়ানাগী মায়কৈদগী পেনাল্টি কোনর ৫ ফংখিবগী মনুংদা ছটিসগর হোক্কীগী মায়কৈদগী পেনাল্টি কোনর অমখক ফংবা ঙমখি।

# মাটা–সেয়ো ষ্টেট রেঙ্কিং জুনিয়র টেন্নিস টুর্নামেন্ট লোয়শিনখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (এস এন এস)ঃ মণিপুর টেন্নিস এসোসিয়েসন (মাটা) অমসুং সাউঠ ইষ্ট য়ূঠ ওর্গনাইজেসন (সেয়ো) অনীনা খুৎশম্লনা শীন্দুনা অকাম্পাৎতা লৈবা সেয়ো টেন্নিস কোর্টতা থা অসিগী ২২দগী চত্থরকখিবা মাটা–সেয়ো ষ্টেট রেঙ্কিং জুনিয়র টেন্নিস টুর্নামেন্ট ঙসি লোয়শিনখ্রে।

তোঙান তোঙানবা নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী এজ গ্রুপশিংদা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী নোভিস গ্রুপকী অন্দর–৮দা য়োহেনবা হৈস্নামনা অহানবা পোজিসন, লৈচল য়ূম্নামনা অনীশুবা পোজিসন অমসুং ৱাঙম্বা য়ুম্নামনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

নোভিস গ্রুপকী অন্দর–১০দা সলাইঙানবা নিঙোম্বমনা অহানবা পোজিসন অমসুং য়াইলৈমা থৌদামনা অনীশুবা পোজিসন তাখি। নোভিস গ্রুপকী অন্দর–১২দা মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা অহানবা পোজিসন অমসুং পরমজিৎ মাইবমনা অনীশুবা পোজিসন তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপামচা সিঙ্গলসকী অন্দর–১২কী টাইটলনা মোরাম্বা ইরোমনা লৌখিবগা লোয়নননা রন্নরস অপনা সংলাকপম রিয়ান্স শর্মানা তাখি। নুপীমচা অন্দর–১২ সিঙ্গলসকী টাইটলনা সেলজা ইরোমনা লৌখিবগা লোয়নননা গুচি য়ূম্নামনা রন্নরস অপ তাখি। নুপামচা অন্দর–১৪ সিঙ্গলস টাইতলনা য়োইময়াই ইরুংবমনা লৌখিবগা লোয়নননা রন্নরস অপ মোরাম্বা ইরোমনা তাখি।

# থাঙ–তা লোয়শঙগী নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (এস এন এস)ঃ

থাঙ–তা লোয়শঙ সনা কোনুংগী ঙসি ফমখিবা জেনরেল বোদি মীফমনা ২০২৬তগী ২০২৮ ফাওবা নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে।

নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রবশিং অদুদি থৌবুরেলদা অথোকপম ওজেন্দ্রা মৈতৈ, ঙমথং থৌবুরেলদা অহন্থেম কেরানি অমসুং ৱাহেংবম ব্রোজেন্দ্রা, সিনারেনদা হাওরুংবম ঈশ্বরচন্দ্র, ঙমথং সিনারেনদা মোইরাংথেম বিনোয় অমসুং থোকচোম শামুমচানি। শেলুংবদা লোংজম রোসন, পাউজে লোয়দা অচৌবা মঙাং, ঙমথং পাউজে লোয়দা মাইস্নাম লুৱাংঙম্বা, থৌমিনা হুইদ্রোম সোমোরজিৎ, য়ূমখাইবম রোবিন্সন, ৱাহেংবম দিনেস অমসুং ডা. য়েঙ্খোম শান্তিকুমারনি হায়না লোয়শঙ অসিগী সিনারেন চুম্নখাম সুনিলকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

# গোল্ড ৬ য়াওনা মেদল ১৬ লৌদুনা রন্নরস অপ তারকখ্রবা মণিপুরগী যোগ টিম ওকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (এস এন এস)ঃ

ওল ইন্দিয়া যোগ কলচর ফেদরেসনগী মখাদা ৱেষ্ট বেঙ্গল যোগ কলচর এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ১৪দগী ১৬ ফাওবা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা চত্থখিবা ৩৬শুবা ওল ইন্দিয়া ট্রেদিসনেল যোগসনা অমসুং ৬শুবা ওল ইন্দিয়া রিদমিক চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড ৬, সিলভর ২ অমসুং ব্রোঞ্জ ৬ য়াওনা পূন্না মেদল ১৪ লৌদুনা রন্নরস অপ তারকখ্রবা মণিপুরগী টিম ঙসি শ্রী শ্রী রাধা গোবিন্দা যোগ সেন্তরনা শীন্দুনা উরিপোক য়াম্বেম লৈকাইদা লৈবা যোগ ত্রেনিং সেন্তরদা ওকখ্রে।

পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মণিপুরগী গোল্ড মেদল ৬ লৌরকখ্রবশিং অদুদি ত্রেদিসনেল যোগসনাগী নুপামচা চহী ১০দগী ১৫ ফাওবদা সুকুমার লোংজম, নুপীগী রিদমিক যোগসনাগী চহী ৩০ মথক্তা ঙাংবম দেবিয়ারানি, নুপীগী ত্রেদিসনেল যোগসনাগী চহী ৫৫দগী ৬৫ ফাওবদা মাইবম সনাহনবী, নুপাগী ত্রেদিসনেল যোগসনাগী চহী ৫৫দগী ৬৫ ফাওবদা ৱাহেংবম প্রিয়োকুমার, নুপীগী চহী ৬৫ মথক্তা কোঙ্গেংবম লৈমাতোম্বী অমসুং নুপাগী চহী ৬৫ মথক্তা শৌগ্রাকপম রতনকুমারনি।

সিলভর মেদল লৌরকখ্রবশিং অদুনা নুপীগী ত্রেদিসনেল যোগগী চহী ৫৫দগী ৬৫ ফাওবদা মঙসিদম সত্যাবতি অমসুং চহী ৬৫মথক্তা লৈমাপোকপম সুনিতি দেবীনি।

ব্রোঞ্জ মেদলশিং লৌরকখ্রবা অদুদা ত্রেদিসনেল যোগসনাগী নুপামচা চহী ১০দগী ১৫ ফাওবদা নোংথোম্বম মেজিকসন, নুপাগী চহী ৪০দগী ৫৫ ফাওবদা কোইজম দেবেন, চহী ৫৫দগী ৬৫ ফাওবদা নোংথোম্বম জয়, চহী ৬৫ মথক্তা হুইদ্রোম অঙৌ, নুপীগী ত্রেদিসনেল যোগসনাগী চহী ২২দগী ৩০ ফাওবদা বিদ্যালক্সমি হুইদ্রোম অমসুং রিদমিক যোগসনাগী নুপীগী চহী ৩০ মথক্তা মাইবম সনাহনবীনি।

রন্নরস অপ তারখ্রবা মণিপুরগী টিম অসিদা কে রামানন্দনা মেনেজর, পি অরুনকুমারনা কোচ ওইনা লুচিংখিবগা লোয়নননা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা রমানন্দা অমসুং অরুনকুমার য়াওনা এন অঙৌসনা অমসুং ঐচ দেভিদ নেসনেল জজ ওইনা শরুক য়াখি।

# মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোইশিং তরাম্না ওকখ্রে



বিষ্ণুপুর, ওগষ্ট ২৩ (এস এন এস)ঃ

নেপাল মিক্স বোক্সিং এসোসিয়েসননা শীন্দুনা চহী অসিগী জুলাই ২৯দগী ৩১ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৩শুবা মিক্স বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬তা মণিপুরগী ওইনা ওল মণিপুর বোক্সিং এসোসিয়েসনগী মখাদা লৈবা শান্নরোই ১০ শরুক য়াদুনা গোল্ড মেদল ৭ অমদি সিলভর মেদল ৩ লৌবা ঙমখিবতা নত্তনা নুপীগী ওইনসু শান্নরোইশিংগী মরক্তা য়াওখিবা এমকে প্রভিননা ৱার্ল্ড বেষ্ট লেদি ফাইটরগী মনাসু লৌরকপা ঙম্বদা টেলিপতি হট্টাদা লৈবা দি ফিজিক ইম্পিয়র জিমনা শীন্দুনা ওফিসিয়েল অমদি শান্নরোইশিং অসিবু ওকপগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মণিপুরদগী কেজি ৫৪দা শরুক য়াখিবা এম কে প্রভিননা ৱার্ল্ডকী ওইনা বেষ্ট বেদি ফাইটরগী মনা ফংখ্রে।

৩শুবা ৱার্ল্ড মিক্স বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬দা অসিদা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি কেজি ৩৫দা মুহামদ য়ুসুফ য়ূমখাইবম, কেজি ৪১দা য়ূমখাইবম অব্দুল মুগীনি, কেজি ৫৭দা সুয়েব সৈখ, কেজি ৬০দা থৌদাম ব্রিস্কেট সিংহ, কেজি ৭০দা থিংবাইজম এলবিস, কেজি ৫৮দা মককময়ুম সিলপাস অমসুং কেজি ৫৪দা এমকে প্রভিননি।

সিলভর মেদল লৌরখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি কেজি ৫১দা বাসৈ মুহাম্মদ, কেজি ৫৪দা য়ূমখাইবম খুরসিদ অমসুং কেজি ৪৮দা মুহাম্মদ অহমদনি। টিম অসিগী ওফিসিয়েলশিংনা এমদি রাফিনা টিম মেনেজর, এমদি সামির হুসেননা টিম কোচ অমসুং এমদি ৱাহিদুর রাহমননা এসিষ্টেন্ট কোচ ওইনা শরুক য়াখি।

মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোইশিং ওকপগী থৌরম অদুদা এ এম এম বি এগী প্রসিদেন্ট এমদি রাফি, এ এম এম বি এগী ভাইস প্রসিদেন্ট কেঐচ রাজখান, দি ফিজিক ইম্পিয়র জিমগী চিয়রমেন এমদি শিরজুদ্দিন অমদি সোসিয়েল ৱার্কর মোইরাংথেম পিটরনা মরুওইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী মরী লৈন্না এ এম এম বি এগী প্রসিদেন্ট টিম অসিগী মেনেজর এমদি রাফিনা ফোঙদোকখিবদা গেম অসি মণিপুরগী ওইনদি য়াম্না চান্নবা মশান্না অমনি। মরম অসিননি হন্দক পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শান্নরোই খুদিংমক মখোয় মখোয়গী হোৎনজমননা মেদল লৌরকপা ঙমখিবনি। গেমস অসিগী স্কোপসু য়াম্না চাওই। অদুবু লাইবক থিবদি শেল পায়দবা লমদম ওইবনা শেলগী অৱাবা খুদোংচাদবা লৈবা অসিনি। মরম অসিনা সরকারনসু গেমস অসিদা মীৎয়েং চঙহনিংই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমগা মরী লৈন্না মায় পাকখ্রবা শান্নরোইশিং অমদি ওফিসিয়েলশিংদা দি ফিজিক ইম্পিয়র জিমগী মায়কৈদগী কম্প্লোমিক ফিটনেস টি–সর্ট, সার্টিফিকেট অমদি মেদল পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

# গুনলৈবনা ইন্দিয়া মায় পাকহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সি)ঃ

ইন্দিয়াগী অন্দর–২০ মেন’স ফুটবোল টিমনা ঙসি বেঙ্গলুরুদা লৈবা সেন্তর ফোর স্পোর্টস এক্সলেন্সতা য়েমেনগা শান্নখিবা অনীশুবা ফ্রেন্দলি মেটচতা ইন্দিয়ানা য়েমেনবু গোল ১–০দা মায়থিবা পীবদা ইন্দিয়াগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু গুনলৈবো ৱাঙ্খেরাকপমনা মেটচকী ৮৯শুবা মিনিটতা চনখি।

# নেদরলেন্দসনা ইন্দিয়া মায়থিবা পীরম্লগা এফ আই ঐচ মেন’স হোক্কী ৱার্ল্ড কপকী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সি)ঃ

নেদরলেন্দস অমসুং বেলজিয়মনা য়ূম্বু ওইদুনা চত্থরিবা এফ আই ঐচ হোক্কী ৱার্ল্ড কপকী ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা শান্নখিবা অনীশুবা ফেজকী গ্রুপকী মেটচ অমদা নেদরলেন্দসনা ইন্দিয়াবু গোল ৩–১দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়ানা সেমি ফাইনেলগী মফম কন্নবগীদমক মেটচ অসি শুংশোয় শোয়দনা কাদবা য়াদবা মরম্না মেটচকী অয়াম্বা মতমদা নীংথিনা শান্নরবসু অরোয়বা মিনিট ১০দা শোয়বা য়াদবা কয়া শোয়খিবা মরম্না সেমি ফাইনেলগী রেসতগী মপান থোকখি। অনীশুবা ফেজকী ইন্দিয়াগী গ্রুপকী মেটচ অরোয়বা মেটচ ওইনা হয়েং অর্জেন্তিনাগা শান্নরবা মতুং ৫ শুবা অমসুং ৮ শুবা মফমগী ক্লাসিফিকেসন মেটচ শান্নগনি।

নেদরলেন্দসনা ইন্দিয়াবু গোল ৩–১দা মায়থিবা পীখিবা মেটচ অদুদা নেদরলেন্দসকী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মেটচকী ৪১শুবা মিনিটতা দুকো তেলজেনকেম, ৫১শুবা মিনিটতা হোদিমেকরস অমসুং ৫৫শুবা মিনিটতা ভান দামনা ফিল্ড গোলগী খুৎথাংদগী চনবা ঙমখি। মায়থিহৌরবা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা ৫২শুবা মিনিটতা পেনাল্টি কোনর অমগী খুৎথাংদগী কেপ্তেন হরমনপ্রিট সিংহনা চনখি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা অহানবা রাউন্দদা ইংলেন্দগী মখুৎতা মায়থিখিবদগী অনীশুবা রাউন্দ অসিদা পোইন্ট অমত্তা ফংবা ঙমদনা লৈরি। করিগুম্বা অর্জেন্তিনাগা শান্নগদৌরিবা মেটচ অসিদা ইন্দিয়ানা মায় পাকপা ঙল্লবসু সেমি ফাইনেল চঙবগী অশা লৈত্রে। ৱার্ল্ড কপকী পুৱারীদা ইন্দিয়ানা নেদরলেন্দসবু অমুক ফাওবা মায়থিবা পীবা ঙমদ্রি। ১৯৭৩ দা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপকী ফাইনেলদা নেদরলেন্দসনা ইন্দিয়াবু পেনাল্টি সুটআউটতা মায়থিবা পীরমখ্রে।

নেদরলেন্দসনা ইন্দিয়াবু গোল ৩–১দা মায়থিবা পীখিবা মেটচ অসিগী হৌরকপা মিনিটশিংদা ইন্দিয়ানা প্রেসর কয়া পীদুনা শান্নবগা লোয়নননা সার্কলদা কয়ারক হন্না চঙবা ঙল্লবসু নেদরলেন্দসকী দিফেন্দরশিং লানবা ঙমখিদে। মেটচকী ১৩শুবা মিনিটতা নেদরলেন্দসকী অহানবা ওইনা পেনাল্টি কোনর ফংলবসু মনপ্রিটনা নীংথিনা ঙাকথোকপা ঙমখি।

টিম অনীমক্না অহানবা হাফতা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈরুরবা মতুং ৪১শুবা মিনিটতা ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিং চেকশিন্দবগী খুদোংচাবা লৌদুনা দুকোনা গোল একাউন্ট হাংদোকখি। ৫১শুবা মিনিটতা হোদেনমেকরসনা অনীশুবা গোল চল্লবসু থংনবা মিনিটতা পেনাল্টি কোনর অমদগী হরমনপ্রিটনা ইন্দিয়াগী গোল চন্দুনা ১–২দা লৈখি। ৫৫শুবা মিনিটতা খ্বাইদগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা প্লেয়র মনপ্রিট সিংহগী অশোয়বা অমগী খুদোংচাবা লৌদুনা নেদরলেন্দসকী ভান দামনা মায় পাকপগী গোল চন্দুনা ইন্দিয়াবু ৩–১দা মায়থিবা পীরমদুনা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

# এলেক্স লানিয়রনা নুপাগী সিঙ্গলস অমসুং কোরিয়াগী অন সে য়ংনা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সি)ঃ

ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা ন্যু দিল্লিদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধি ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চত্থরকখিবা বি দব্লিউ এফ ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬ ঙসি লোয়শিনখিবগা লোয়নননা ফ্রান্সকী এলেক্স লানিয়রনা নুপাগী সিঙ্গলসকী অমসুং কোরিয়াগী অন সে য়ংনা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

চত্থরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা লানিয়রনা জপানগী কোদাই নারাওকাবু মিনিট ৫০ শান্নরবা মতুং ২১–১১, ২১–১১দা মায়থিবা পীদুনা টাইতল লৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা মালেমগী মকোক থোংবা মফম কল্লিবা কোরিয়াগী অন সে য়ংনা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন জপানগী অকানে য়ামাগুচিবু ২১–১৭, ২১–১৪দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা কোরিয়াগী অনীশুবা গোল্ড মেদল ওইনা নুপীগী দবলসতা বেক হা না অমসুং লি সো হিনা চাইনাগী মকোক থোংবা সিদতা লৈরিবী লিয়ু সেং সু অমসুং তান নিংবু ২১–১৫, ২১–১৫দা মায়থিবা পীরমদুনা লৌখিবতা নত্তনা চহী ৩১ কোরিয়ানা নুপীগী দলবসতা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমদনা লাকখিবা খোঙচৎ অদু লোয়শিনখি। কোরিয়ানা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী পুৱারীদা ১৯৯৫দা নুপীগী দবলসতা টাইটল লৌবা ঙমখিবা অদুদগী ঙসি ফাওবা লৌবা ঙমদনা লাকখিবনি।

নুপাগী দবলস টাইটলনা চাইনাগী লিয়াং ৱৈ অমসুং ৱাং চাংনা মালেসিয়াগী অরোন অমসুং সোহ য়িকপু ২১–১৬, ২১–১৭দা মায়থিবা পীরমদুনা লৌখিবগা লোয়নননা মিক্স দবলস টাইটলনা ফ্রান্সকী থোম অমসুং দেলফিননা চাইনাগী ফেং য়ান অমসুং দোং পিংবু মায়থিবা পীরমদুনা লৌবা ঙমখি।

Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77; e-mail sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com